# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-05-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১১-০৫-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাটতা সোমনাথ অমৃট পর্ভ ২০২৬ তা শরুক য়াগনি।

**অমসুং**

৩) নৌনা ৱাশক লৌখ্রবা নোংচ্প বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রিগী সুভেন্ধূ অধিকারিনা লুচিংবা সরকারগী অহানবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফম ঙসি পাঙথোক্লগনি।

----

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমফেল

পুলিস স্তেসননা কোনবা লাঙ্গোল চীংদা ঙরাং থিবা হুন্থবগী থবক চথুবদা মেগজিন য়াওবা থ্রি নোর্ট থ্রিগী রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, ভোল্ট এক্সন রাইফল মরি, মেগজিনগা কোন্নবা পিষ্টোল ১০, এন্তি রাইওট রবর সেল মঙা, দিতোনেতর অমা অমসুং নোংমৈ মরু মঙা ফাগৎপা ঙমখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সেকমাই পুলিস স্তেসননা কোনবা তেন্দোংয়াংগী ইঙেল চীংদসু হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা থিবা হুন্থবগী থবক চথুখি। মদুদা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অনি, গ্রেনেদ অনি অমসুং তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ মরু ৯৯ ফাগৎপা ঙমখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা কে.সি.পি-এম.এফ.এলগী কাদরনি হায়বা মীওই অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং খুঞ্জাওদগী হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফারে। কে.সি.পি অপুনবগী কাদরনি হায়বা মীওই অমসু থৌবাল জিলাগী তেন্থা মথক লৈকাইদগী ঙরাং ফারে হায়রি। মীওই অসিদগী কেমোফ্লেগসকী য়ুনিফোর্মশিংসু লৌখৎলে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইদুনা লম্বীদা গারি থৌরিবা মীওইশিংগী মথক্তসু লেপ্পা লৈতনা দ্রাইভ চথুরি। থা অসিগী ৪ দগী ঙরাং ফাওবা চথুখিবা ত্রাফিক্কী দ্রাইভতা নিয়ম থুগাইদুনা গারি থৌরকপা মীওইশিংগী মথক্তা চলান ৫৮ কত্তুনা লূপা লিশিং ৬৩,৫০০ ফাইন ওইনা খোমগৎপা ঙমখি।

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ ঙরাং ইন্তরনেসনেল সেন্তর ওফ আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসন বেঙ্গলুরুগী ভাব ২০২৬ কী থৌরমদা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা, উপ-মুখ্য মন্ত্রি নেমচা কিপগেন অমদি ফাউন্দেসন অসিগী গুরু শ্রী রবি সঙ্কর শরুক য়াখি। থৌরম অসি আর্ট ওফ লিভিং ফাউন্দেসন লিংখৎখিবগী ৪৫ রক শুবা কুমওন থৌরম অমসুং গুরুদেব রবি সঙ্করগী ৭০ শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি গুজরাটতা অহানবা জিয়োতিরলিঙ্গ, সোমনাথ মহাদেব মন্দির নৌনা শাখিবগী চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরম সোমনাথ অমৃট পর্ভ ২০২৬ তা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রি জামনাগরদগী সোমনাথ ফাওবা নোংথক লম্বীদা লাক্কনি। হেল্লিপেটতা তারবা মতুং শ্রী মোদিনা বির হমির জি গোহিল সরকল ফাওবা রোদ সো অমদা শরুক য়াগনি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা সোনাথ মন্দির নৌনা শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা সরদার ভল্লা ভাই পতেলগী মীতমদা লৈ কৎকনি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা ভগবান সোমনাথ মন্দিরদা লাই খুরুমগনি অমসুং কুম্ভ অভিসেখকী থৌরম শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা, ইন্দিয়ন ইয়রফোর্সকী সুরিয়া কিরন এরোবেতিক টিমনা সোমনাথকী মথক্তা পুকিং চিংশিন্নিঙাই ওইরবা ইয়র সো উৎকনি। লাই খুরম্বা লোইরবা মতুংদা প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামগী মীতিং অমদা ৱা ঙাংগনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙরাং তেলঙ্গনাদা লূপা কোতি লিশিং ৯,৪০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা উংখৎনবা অসিনা মরম ওইদুনা থোক্লিবা ইনর্জি খ্রাইসিস অসি ভারতনা নিংথিনা মায়োকনবা হোৎনরি। হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা লৈবাক অসিনা পেট্রোল্লিয়মগী পোখোক লিকা শিজিন্নবা তঙাইফদে। তশেংনা দরকার লৈবা চাংগী মতুং ইন্না মপালদগী পুশিল্লক্লিবা পেট্রোল্লিয়মগী পোখোকশিং নিয়ম চুমা শিজিন্নবনা হৌজিক থোক্লিবা উংখৎনবা অসিনা পীরক্কদবা চৈথেংশিং হন্থহনবা ঙমগনি।

**বেঙ্গলঃ** নৌনা ৱাশক লৌখ্রবা নোংচুপ বেঙ্গলগী মুখ্য মন্ত্রিগী সুভেন্দ্ধূ অধিকারিনা লুচিংবা সরকারগী অহানবা মন্ত্রি মন্দলগী মীফম ঙসি পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা মুখ্য মন্ত্রিগা লোয়ননা ৱাশক লৌমিন্নখিবা মন্ত্রি মঙাদসু মখোয় মখোয়না পায়গদবা পোর্টফোলিয়োশিং য়েন্থোক্লবা য়াই ।

ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা বি.জে.পিনা মীখলগী মতমদা মীয়ামদা পীখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকবগী মতাংদা খন্নগনি। অয়ুসমান ভারত অননপুর্ন ভন্দার, রাজ্য অসিগী সরকারগী কর্মচারিশিংগী সেভেন পে কম্মিসন চৎনহন্নবগী ৱাফমশিং য়াওবা হীরম কয়াদসু খন্নরবা য়াই। মরী লৈনবা জিলাশিংগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিস্ট্রেটশিং, এস.পিশিং অমদি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী সেক্রেটরিশিং য়াওনা মীফম পাঙথোক্তুনা এদমিনিষ্ট্রেতিভ অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম হন্না য়েংশিনগনি।

অমরোমদা, হন্দক্কী মীখল অসিদা মাই পাক্লকখ্রবা এম.এল.এশিং লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী হৌদুনা মথং মথং ৱাশক লৌবা হৌরগনি। বি.জে.পিগী লুচিংবা ওইরিবা তপস রোইনা প্রোতেম স্পিকর ওইনা এম.এল.এশিং ৱাশক লৌগনি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা লৈবাক অসিদা ঈচাও অমসুং নংশা কা হেন্না শাবদগী ঙাকথোকবা শেম শারিবশিং ঙৰাং হন্না য়েংশিনখ্রে। নিউ দেল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা সভাপতি ওইখিবা শ্রী শাহনা হায়-কেন্দ্র অমসুং রাজ্য থাক্তা ঈচাও থোক্কদৌরে হায়বা মাংজোননা খংহন্নবা ইন্তিগ্রেতেদ সিস্তেম অমা হৌদোক্লগনি। মন্ত্রিনা হায়-জন্ম্ কাশ্মির, লদাখ, উট্রাখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিমগী খুদোংথিনিঙাই ওইবা পাৎ ৩০ দা নেসনেল দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতি(এন.দি.এম.এ)গী তেংবাংগা লোয়ননা ঈচাও থোরক্ত্রিঙৈদা মাংজোননা পাউ পীনবা থৌরাংশিং পায়খৎলগনি। মসিগী পান্দমদি তুরেলশিংদা চেক দামশিং শাদুনা ঈশিং য়োকশিনবা অমসুং নুংশা কা হেন্না শাবদগী অৱাবা মায়োকবা হন্থহন্নবনি। শ্রী শাহনা হায়-লৈবাক অসিগী রাজ্য খুদিংমক্তা ফ্লদ খ্রাইসিস মেনেজমেন্ট টিমশিং শেমদুনা মথৌ তৌহনগনি। মহাকা হায়- রাজ্যশিংদা লান্মৈ চাকপা, কা হেন্না শাবা অমসুং ঈচাউ থোরকপা মতমদা থেংননবা গৃহ মন্ত্রালয় অমসুং এন.দি.এম.এ না পীবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাকা

চৎলিব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা দিজাস্তর মেনেজমেন্টকা মরী লৈননা মীওই অমত্তা অৱাবা নংহন্দনবা ৱাখল্লোন থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনরি।

**য়ু.পিঃ** উট্টর প্রদেশতা মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা লুচিংবা মন্ত্রি মন্দল, বি.জে.পিগী এম.এল.এ ৬ ঙরাং নৌনা ৱাশক লৌদুনা চাউথোকখ্রে। রাজ্যপাল অনন্দিবেন পতেলনা লখনৌগী জন ভবনদা পাঙথোকপা থৌরমদা অনৌবা মন্ত্রিশিং অসিবু ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। হান্নগী বি.জে.পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট ভুপেন্দ্র চৌধরি অমসুং দল অসিগী লুচিংবা মনোশ পান্দে কেবিনেট মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌবদা য়াওখি। অজিট পাল সিংহ অমসুং সোমেন্দ্র তোমারসু মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট চার্জ পীখি। নৌনা ৱাশক লৌরবা মন্ত্রি ৬ অসি থারগা য়ু.পি সরকারগী মন্ত্রি মন্দলগী মশিং অসি পুন্না ৬০ য়ৌরে। উট্টর প্রদেশ বিধান সভাগী অপুনবা সিট মশিং অসি ৪০৩ নি।

**স্পোর্টসঃ** সি.ঐচ.এস.এস ময়াং ইম্ফালনা ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ৱিনর ওইরে। ক্যামগৈ য়ুথ পাইয়োনিয়র ক্লবনা শিন্দুনা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ গ্রাউন্দদা ঙরাং শান্নখিবা টুরনামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা সি.ঐচ.এস.এস ময়াং ইম্ফালনা দি স্কৱার নোংমৈবুংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়ু.এন.সিনা লুচিংবা নাগাগী লুপ অহুমা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে। কে.এন.এ-বি অমসুং পি.দি.এফনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা লান্দারকপদা সুগী কাদরশিংনা মতেং পাংলেঃ য়ু.এন.সি হায়বা পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। কংলাগী শঙ্গাই য়মুফমদা এসকাবেসন

চথুবদা ব্রজ অমসুং অরিবা শেন্মীৎশিং ফংলে হায়বা পাউ অমসু অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

অসামগী গভর্ণরনা হিমন্ত বিস্বা শর্মবু অনৌবা অসাম সরকার শেমবা বার্তন তৌখ্রে, মে ১২ দা সি.এম. ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না- নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- পোলিসি অমগী মখা চথুরকপা লাননি, সেন্তিমেন্টনা থেংনবা য়ারোইঃ ৱাই.কে.ধিরেন হায়বা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- ঐচ.এস.এল.সি এগজাম ২০২৬ কী ফল হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা লৈঙাক্কী স্কুল চাদা ৫৫ অমদি মহৈরোই ইপু পুথোক্ত্রে, স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী স্কুল কয়াসু মহৈরোই নিংথিনা পুথোকপা ঙমদবা য়াওরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- মিলিটরি ক্রেক দাউন চথুনবা পাক শন্না প্রোতেষ্ট চথুখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সনালৈবাক্তা- চহী ৮০ শুরবা অহলশিংদা শজিবু খুদোল তম্বগী থৌরম পাঙথোকখ্রে, মীতোপ খন্দোকপনা ঐখোয়গী পান্দমনি, লকিংবা লাকসনু লৈবাক অমসুং ফুরুপ কল্লমগনি হায়না হান্নগী চিফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- লমদেং সোলিট ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট

থিংজল্লগনি হায়না লুপশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মণিপুরদা এক্সতরনেল এগ্রেসন চথুরকপগী মতাংদা য়ু.এন.সিনা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নাগাগী লুপশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা জন্তর মন্তরদা খোঙজং চংশিনখ্রে, মণিপুরগী নাগা এরিয়াশিংদা হিংশা থোরকপগী মতাংদা প্রাইম মনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না- দ গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- তামেংলোংদা মাদর্স ডে পাক শন্না পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**---পাউ লোইজরে---**